# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses


রিসর্চ এণ্ড ষ্ট্রেটেজিক ডিবেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ফোর নোর্থ ইষ্টগী প্রসিডেন্ট রধাবিনোদ কোইজমনা লূক ইষ্ট পোলিসিগী মতাংদা ৱা ঙাংবা




জিম্পালদা শীন্দুনা জিরিবামদা পাঙথোকখিবা দেমোগ্রাফিক ইম্বেলেন্স এন্দ সরবাইবল ওফ ইন্দিজেনস পিপলসকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম




গুৱাহাতি রেলৱে ষ্টেসনদগী কোলকাতা তানা চৎনবগীদমক কামরুপ এক্সপ্রেসতা তোংলকপা মণিপুরদগী লাকপা ময়াং অহুমদগী আর পি এফনা ফাগৎ-খিবা সনা কে জি ৯.৫



প্রজা হায় স্কুলদা রাইটরস ফোরম ইম্ফালনা শীনবা *ঐখোয় খোরীরোলগী মহাও খঙমিন্নসি*





৩৮শুবা চহী,২৪০শুবা মশিং | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈ ২০নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Tuesday, November 11, 2014, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৮.৩৬°C | ১৭.৩২°C |
| চান্দেল | ৩০.৮৬°C | ২১.০১°C |
| সীসীপুর | ২৭.৩৮°C | ১৭.৭০°C |
| ইম্ফাল | ২৮.৭৮°C | ১৬.০২°C |
| সেনাপতি | ২৭.২৮°C | ১৩.৯৪°C |
| তমেংলোং | ৩০.১৪°C | ১৭.৭৩°C |
| থৌবাল | ২৮.২৪°C | ১৭.৬৭°C |
| উখ্রুল | ২০.৮৮°C | ১২.৯৯°C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৯

## ঈশিংদগী কনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ ঃ মশাগী চহী ৭খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমনা তুরেলদা তাশিনখ্রবা চহী ৪ রোমতা শুরিবা অঙাং অমা কনখ্রে। অকিবা, তুজুংবা, ৱাখল মাঙবা অমত্তা তৌদনা মোইরাং তুরেলদগী চিংখৎতুনা থৱায় কনখিবী চহী ৭ রোমতমক ঙাইরিবী নুপীমচা অদুগী মমিং কুমারী কুমাম জাস্লিন কৌই। মহাক মোইরাং তুরেলবান লৈকায়দা লৈবা কুমাম বোবি অমদি কুমাম ওংবী তাবাবীগী অমত্তা পোকচবী মচানুপীনি। লিট্‌ল বার্দ স্কুল মোইরাংতা ক্লাস ৱান তম্লি। মহাক্না কনখিবা চহী ৪গী অঙাং অদুগী মমিং মৈকাম জিনিয়া কৌই। মোইরাং শ্রীবোন লৈকায়দা লৈবা মৈকাম জয়কুমার অমদি মৈকাম ওংবী দয়ারানিগী ইতোন-তোনবী মচানুপীনি। থৌনাফনা তুরেলদা তাখ্রবা অঙাং কনবগীদমক জাস্লিনবু মোইরাং তুরেলবান দিবেলপমেন্ট এসোসি-এসন্না থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

## ফোটো এগজিবিসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী মখাদা লৈবা ফিল্দ এগজিবিসন ওফিস, দিরেক্টোরেট ওফ এদভর্টাইজিং এন্দ ভিজ্যুএল পব্লিসিটি (দি এ ভী পি)না শীন্দুনা এক ভারত, স্বাছ ভারত হায়বা থিমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কৈনৌ হায় স্কুলদা হয়েংদগী থা অসিগী ১৫ ফাওবা ফোটো এগজিবিসন অমা পাঙথোক্কনি হায়রি। হয়েং অয়ুক পুং ১০.৩০দগী এগজিবিসন অসি কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান দল্লিয়ু হোমেশ্বরনা হৌদোক্কনি হায়রি।

## বেঙ্ক ষ্ট্রাইক তৌগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ ঃ ইমপ্লোয়ীশিংগী থাগী তোলোব হেনগৎলু হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়ামরুম তাল্লদুনা থা অসিগী ১২দা লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা বেঙ্ক পুম্নমক ষ্ট্রাইক তৌগনি। নুমিৎ অসিদা ইমপ্লোয়ীশিং মথৌ তৌরোই। মখোয় মখোয়গী বেঙ্ক মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না ঙসি নুমিদাংৱাইরম বেঙ্ক ইমপ্লোয়ীশিংনা লাউথোকখ্রে হায়রি।

## ঈশিং শীজিন্নবা য়াদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ ঃ থৌবাল তুরেল লৈঙাং মচু চেল্লকপা মরম্না তুরেল অসিগী খোঙবালদা খুন্দারিবা মীওইশিং খম থেংনা ৱানরে। ইরু-মায়থজবা, ফিশু-ফিজাম্বা অমদি থক্ক-চানবদা শীজিন্নরিবা তুরেল অসিগী ঈশিং শেংলক্ত্রিবসি খুৎশেম্না থোকহনবনি হায়রদুনা থৌবাল অপুনবা লূপকী সেক্রেটরি ৱাইখোম নিংথৌজাওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা তুরেলগী ঈশিং মোৎশিনহনবদা চেন্নরিবা মীওই খূদিংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

## বোম থল্লম্বা য়ানিংদে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ ঃ য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাঙ্খেম কৈথেলদা লৈবা ওজা ৱাঙ্খেম সুধচন্দ্রগী থোঙ্গালদা শকখঙদবশিংনা ঙসি অয়ুক হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্লে। থৌদোক অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

### অস! লোইরেহে!




জিরি-ইম্ফাল রেলৱেগী ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স পায়রমদ্রে

# রেলৱে লাইন শেম্বগী ফোরেষ্ট ক্লিয়ারেন্স পীনবা সী এমনা তক্লখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ জিরিবামদগী তুপুল ফাওবগী রেল লম্বী শেম্বগী থবক ২০১৬কী মার্চ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থমদুনা য়াম্না কন্না থবক পায়খৎচরবসু তঙাইফদনা চঙবা ফোরেষ্ট অমসুং এনবাইরনমেন্টকী ক্লিয়ারেন্স অনীমক অয়াবা পীরমদ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, রেলৱে প্রোজেক্ট অসি নেসনল প্রোজেক্টনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং ইন্না ফোরেষ্ট অমসুং এনবাইরনমেন্টকী ক্লিয়ারেন্স য়াওদ্রবসু থবক শুবা হৌখিবনি। অদুবু তঙাইফদবা মচাক অমা ওইরকপা মরম্না ক্লিয়ারেন্স অনীমক পীবিনবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ফোরেষ্ট এন্দ এবাইরনমেন্টকী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ) প্রকাশ জাবদেকর উনখ্রে হায়না মণিপুর ইনফোর্মেসন সেন্টরদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চীফ মিনিষ্টরনা প্রকাশ জাবদেকর উনবদুদা জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল ব্রোদগেজ রেলৱে প্রোজেক্ট শেম্নবা ফোরেষ্ট অমসুং এনবাইরনমেন্টকী ক্লিয়ারেন্স অথুবা মতমদা পীবিনবা তকশিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ এনবাইরনমেন্ট, ফাইনান্স এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ (এম ও ঈ এফ সী সী) গী ফোরেষ্ট এদভাইজরি কম্মিটি (এফ এ সী)গী সেপ্টেম্বর ২২-২৩ দা পাঙথোকখিবা মীফমদা ফোরেষ্টকী লমবু অতে থবক্তা শীজিন্ন-নবগী...মখা লামায় ৩ কলম...

# বিন্দ্যারানি ফল্লানবা অমদি হাৎপদা চেন্নবা সুরেশকুমার পুলিসনা ফারে





ককচিং, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবল হৈরিখোং (লম্বোই থোং) লৈকায়দগী থিয়াম ভোপেনগী মচানুপী অহল বিন্দ্যারানি (বিদ্যারানি) দেবী থিয়াম (১৮) বু নমদুনা ফল্লানবীরগা হাৎপদা চেন্নবা য়ুমথংননা লৈবা মবুং থোকপা থিয়াম সুরেশকুমার (২২), অপোকপা ইঙোচা ঙসি থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শুগুদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। মীহাৎ অদুগী মতাংদা মহাকপু ৱাহং পাউহং চথুরি হায়রি।

লৈখিদ্রবী বিন্দ্যারানি থৌবালদা লৈবা চাউয়াইমা হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টুয়েল্ভ (আর্টস) তম্লিবী মহৈরোয়নি। মচীন-মনাও মরি পোকপগী মনুংদা মহাক্না কোকহল-লাইহলনি। মহাক্কী অপোকপা লৌমীনি হায়রি।

চৈরকসিদা বিন্দ্যারানি (বিদ্যারানি) দেবী থিয়ামগী মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ৱাংবল হৈরুথোং লৈকায়, তোমাল মখোঙ কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ওক্রম মুহিন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা বিন্দ্যারানি মীহাৎ অদুবু য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা জে এ সী এগেনষ্ট ড কিল্লিং ওফ থিয়াম বিন্দ্যারানি কৌবা জে এ সী অমা শেমখ্রে।

জে এ সীনা ঈগী মরী খঙদবা, মীহাৎপা সুরেশকুমারগী ইমুং খুঙ্গংদগী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তান্থোকপা অমদি মীহাৎপগী ইমুং-মনুংগী লৌ-ইঙ্খোল পুম্নমক জে এ সীনা পায়শিনবা, মীহাৎপগী ইমুং-মনুংনা য়োল্লকপদা কনাগুম্বা অমত্তনা লৈবা য়াহন্দবা, মীহাৎ থীনা হাৎপীখ্রবা বিন্দ্যারানিগীদমক মণিপুরগী লৈঙাক্লা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎহন্নবা চীফ মিনিষ্টরদা ৱারোল পীশিনবা হায়বনচিংবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি হায়রি।

মীফম অদু লোইরবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদগী খোয়শাওনরবা মীয়াম্না মীহাৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি মীহাৎ অসিদা চেন্নবা সুরেশকুমার ফাদুনা মীয়ামদা শিন্নৌ হায়বা ডিমান্দদা নেসনল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বী থিংখি। লম্বী থিংবা অদুদা ৱাংজিংলোমদগী হাইগৎলকপা আর্মি কনবোইশিংগী মনীংদা ইন্নরকপা মারুটি কার অমা, মোরেদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা মারুটি ভেন (এমএল০৪এ/৬৩৮৩) অমসুং চান্দেলদগী ইম্ফাললোমদা হাইগৎলকপা মারুটি এল্টো কার (এমএন ০১এক্স/৯৯৯১) গী মীৎশেলশিং নূঙনা থাজিন্দুনা থুগায়খি।

মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা সুরেশকুমার হায়রিবা মীওই অসি ময়ায় কাবা নিশা গুলিনচিংবা শীজিন্নবা মীওইনি হায়না লৈকায়গী মীওইশিংনা ফোঙদোরকই হায়রি।


বিন্দ্যারানিগী অশিবা হকচাং ঙসি নুংথিল জেনিমসকী মোর্গতা জে এ সীগী মীহুৎশিং অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিং য়াওনা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে। অদুম ওইনমক...মখা লামায় ৩ কলম ২

# নোর্থ এ ও সীদগী পুলিসনা ওক্তবা মীওই ১৫৭ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা পুলিসনা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মনুং চনবা নোর্থ এ ও সীগী মফম খরদা এদিসনেল এস পি কে মেঘচন্দ্রনা লূচিংবা পুলিসকী টিম অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কম্মর্সেল সেক্স ৱার্করশিং য়াওনা ওক্তবনি হায়বা মীওই ১৫৭ ফারে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদগী পুং ২ হেন্না চথখিবা ওপরেসন অদুদা কেক্রুভীলা, জৌমি ভীলানচিংবা মফমশিংদগী ময়ায় কাবা দ্রগ শীজিন্নবা, শানৈ-য়ুনৈদুনা লৈরম্বা, কম্মর্সেল সেক্স ৱার্করশিং, মখোয়গী পার্টনরশিং, হুরান-চীন্থি তৌবা ওক্তবা মীওইশিং ফাগৎখি।

য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমদা পুলিসকী টিম অদুনা অপীক-অপীকপা



কা কয়ামরুমদগী হোইদোক্লগা ভেরিফাই তৌনবা লম্বীদা পুথোরকপদা য়ুনিফোর্ম শেৎপা আই আর বিগী পর্সনেল অহুম অমসুং মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেল অমসু য়াওবা থেংনখি। মখোয় মঙামক সার্বিসকী নোংমৈ পায়রম্মী। পুলিসনা মখোয়দগী নোংমৈশিং অদু লৌশিল্লগা ওক্তবা ময়ামগী মরক্তা পরেং লেপহনবা উখি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, ওপরেসন অদুদা ফাগৎখিবা মীওই ১৫৭ অদুদা নুপা ১০০ অমসুং নুপী ৫৭নি। নুপী ৫৭ অদুগী মনুংদসু ময়ায় কাবা চীঙাক চাবা মীওই কয়ামরুম য়াওই। মখোয় ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না নন-এফ আই আর লৌরগা কোর্ট য়ৌহন্দনা কেস অসি পুলিসতা পীবা মতিক ময়ায়গী মতুং ইন্না লোইশিল্লগনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনেল এস পি (ওপস) কে মেঘচন্দ্রগা পাউচে অসিগা ৱারী শানবদা মহাক্না হায়খি, য়ুনিফোর্ম শেৎপা আই আর বি অমদি এম আরগী পর্সনেলশিং ফাগৎ-খিবদু মখোয়না ফত্তবা লীচৎ চৎপা হকথেংননা উহৌবগী নত্তে, মওং চুমদবা ময়ামগী মরক্তা লৈরম্বগীদমক ফাগৎপনি। মখোয় মখোয়গী বট্টালিয়ান হেদক্বার্টরশিংদা শিন্নখ্রগনি। অতে ফাগৎলকখিবা পুম্নমকসু ভেরিফাই তৌরি।

# ব্লাইন্দ স্কুলগী মহৈরোয় অমা স্কুল কেম্পস মনুংদা ফল্লানবগী থৌদোক অমুকসু থোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ১৩দা তাকয়েলদা লৈবা আইদেল ব্লাইন্দ স্কুলগী চৌকিদার অমনা চহী নৌরিবী স্কুল অসিগী নুপী মহৈরোয় অমা ফল্লানবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং থা অসিগী ১দা অতোপ্পা চহী নৌরিবী মহৈরোয় অমসু স্কুল অসিগী কেম্পস মনুংদা ফল্লানবগী থৌদোক থোকখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, স্কুল অসিদা তম্লিবী চহী নৌরিবী মহৈরোয় ফল্লানবগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওই অদুসু জুবেনাইলনি। মহাক স্কুল অসিদা থবক তৌবী মমাগী ক্বার্টরদা লৈবনি। মশাগী চহী ১৩ রোম শুরে হায়রি।

স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল য়েঙ্খোম প্রেমলাতাগা পাউচে অসিগা উনদুনা ৱারী শানবদা মহাক্না হায়খি, থৌদোক অসিগী মতাংদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্না মতম চানা এফ আই আর অমা লৌখৎখি অমসুং মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টতা থাখি। অদুমকপু নুপীমচা অসি ফল্লানখিব্রা হায়বা ৱাফম অদুমক্তি মহাক্না ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে।

অতোপ্পা পাউজী লীখুল অমনা হায়, ৱাথোক অসিগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা এফ আই আর অমা লৌখৎলে। এফ আই আর অসিগী নম্বরনা ২৬১ (১১) ২০১৪, এল পি এস-পি এসনি। নুপামচা অদুগী মথক্তা সেক্সন ৪/৮ পি ও সী এস ও এক্টকী মখাদা ৱাহং পাউহং চথখ্রে অমদি মহাক হৌজিক হৌজিক তাকয়েলদা লৈবা ওবজার্বেসন হোমদা থম্লি।

আইদেল ব্লাইন্দ স্কুল, তাকয়েল-পাৎতা তম্বী মহৈরোয় নুপীমচা অমা স্কুল অসিদা ফল্লানখি হায়বা কেসকী আই ও, লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী জুবেনাইল পুলিস ওফিসার নামগৌলুন কিপগেননা থাগৎলকপা রিপোর্ট অমা চাইল্দ ৱেলফেয়র কমিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মেম্বর অনীনা লৌখৎখ্রে।

নুপী পুলিস এস আই অরুনা লাইশ্রমগা লোয়ননা কেস অসিগী আই ওনা নুপীমচা অদু কমিটিগী মাঙদা পুথোকখ্রে। কমিটিগী অসিগী মমাঙদা নুপীমচা অদুগী মমা-মপাসু লাকখি হায়রি। নুপীমচা অদুগী মহাক্কী ফাইনেল ইগজামসু থুনা পাঙথোক্কদবনা মাগী হোষ্টেলদা অদুমক লৈনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি। মমা-মপানসু মচানুপীবু ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ঙাইরাংবম খুল মোদেল ভীলেজ ওইনা শেমগৎলগনি : ডো. মৈন্য

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) খূদিংমক্লা চহী ১গী মনুংদা মোদেল ভীলেজ অমমম শেমগৎনবা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখিবা ৱারেপ থবক্তা ওস্থোক্লবগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ঙাইরাংবম খুল খল্লে অমসুং খুল অসি মোদেল ভীলেজ ওইনা শেমগৎনবগী প্রপোজেল থাখ্রে হায়না ইন্নর মণিপুর লোক সভাগী এম পি ডো. টি মৈন্যনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টর্নেসনল হেন্দিকেপ ৱেলফেয়র মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি ঙাইরাংবম মখা লৈকায় ৱাই ভী এ গ্রাউন্দদা ৱাখল শোল্লবী নিঙোলশিং চাক্লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ডো. মৈন্যনা হায়খি, ঙাইরাংবম খুল মোদেল ভীলেজ শেমগৎনবা থাখিবা প্রপোজেল অয়াবা হেক পীরকপগা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক হৌরগনি।

মহাক্লা হায়খি, মোদেল ভীলেজ শেমগৎপদা নত্তনা স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা য়ুমথোঙ খূদিংদা সেনিটরি লেট্রিন শেমগৎপা, মহৈলোয়শঙশিংদা নুপী অমসুং নুপাগী সেনিটরি লেট্রিন থম্বা অমদি ঈশিং ফংদবা মফমদা ঈশিং পীনবা থবক থৌরমশিংদসু মহাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙগনি।

নিঙোলশিং চাক্লৌবগী থৌরম অদু চনম লুখোইগী লৈখিদ্রবী লোয়নবীগী মিংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হান্নগী অধক্ষ্য মিসেস চনম বিজেন্তিনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবনি।

## লূক ইষ্ট পোলিসিদা টুরিজম সেক্টর চাউখৎনবা থৌরাং তৌহৌবা মথৌ তাই ঃ রধাবিনোদ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ লূক ইষ্ট পোলিসি লাক্কদৌরিবসিদা টুরিজম য়াওনা হীরম কয়াদা থৌরাং তৌহৌবা মথৌ তাই হায়না রিসর্চ এণ্ড ষ্ট্রেটেজিক ডিবেলপমেন্ট ওর্গনাই-জেসন ফোর নোর্থ ইষ্ট (রেমদোর-এন ই) গী প্রসিডেন্ট ওইরিবা এক্স সী এম রধাবিনোদ কোইজমনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল হোটেলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা রেমদোর-এন ই গী প্রসিডেন্ট ওইরিবা রধাবিনোদ কোইজমনা হায়খি, রেমদোর-এন ইনা শীন্দুনা "ইণ্ডো-ম্যান্মার সিনরজি ইন সোসিও ইকোনোমিক এণ্ড কলচরেল ডিভলপমেন্ট" হায়বা হীরমদা রাউন্দ টেবল মীটিং অমা ঙসি ইম্ফাল হোটেলদা পাঙথোকখ্রে। রাউন্দ টেবল অদুদা ষ্টেট কয়াদগী খঙ-হৈরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। এসিয়ন কনফ্লুয়েন্স সেন্টর, শিলোংগী ডাইরেক্টর সব্যাসচি দত্তসু শরুক য়াখি। রাউন্দ টেবল পাঙথোক্লিবসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অমগা অমগা পাউ ফাওননবা, ম্যান্মারনচিংবা এসিয়ন লৈবাকশিংগসু অফবা মরী লৈননবা খন্ন-নৈনবনি।

ইণ্ডিয়াগী লূক ইষ্ট পোলিসি পায়খৎনবা থৌরাং চহি ২০ লোম ফাজিল্লক্লে। থবক পায়খৎতনা মতম শাংনা লাকখিবদু সেন্টরদা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এনদিএ গভর্ণমেন্ট লাকপসিদা হীরমসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙলক্লি। লূক ইষ্ট পোলিসি থবক ওইনা পায়খৎলক্লগনি হায়বগী থাজবা লাক্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ম্যান্মারদা চত্তুনা এসিয়ন সমিটসু য়াওগদৌরি। লূক ইষ্ট পোলিসি লাকপদা গভর্ণমেন্টকী অৱাংবা থাক্তা পায়খৎপা থবক্কী মথক্তা, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসননা, মীচম মীয়াম্না করি থৌদাংশিং লৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নহৌবা দরকার ওই।

লূক ইষ্ট পোলিসি লাক্কদৌরিবা অসিদা টুরিজম, হেল্থ, ট্রেদ, ইন্দষ্ট্রিজ য়াওনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## অইবশিংগা মহৈরোয়শিংগা উনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ রাইটরস ফোরম ইম্ফালনা স্কুলগী থাক্তা পরীং নাইনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা *ঐখোয় খোরীরোলগী মহাও খঙমিন্নসি* হায়না মিংথোনবা অইবশিংগা মহৈরোয়শিংগা উনদুনা শকখঙ-মায়খঙনবগী থৌরম অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদা লমশাংদা লৈবা প্রজা হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি রাইটরস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লমাবম বীরমণিনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখি। শক্লাইরবা শৈরাংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম অমসুং অইবা য়ুম্লেম্বম ইবোমচা অনীনা মরুওইবা ৱাঙাংলোই ওইনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। চথরিবা থৌরম পরীং অসিগী চ্যেরমেন ওইরিবা শক্লাইরবা ৱারীমচা ইবা ইরুংবম বসন্তনা থৌরম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

অইবা অমসুং শৈরাংবা বি জয়ন্তকুমার শর্ম অমসুং য়ুম্লেম্বম ইবোমচাগী তম্ন-লাইরিক্তা য়াওরিবা শৈরেংশিং মহৈরোয়শিংনা অমসুং অইবা মশানা পাথোক্তুনা তামিন্নখি। মহৈরোয়শিংনা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লদুনা শৈরেংশিংগী মহাও লৌমিন্নখি, খোরীরোলগী মহাও তংমিন্নখি। বি জয়ন্তকুমার শর্মনা ইবা কাওঙমদ্রবা ঈশৈ ময়েকশিং নৈনবগা লোয়ননা ঈশৈ ওইনা তামিন্নখি। য়াম্না নুংঙাইবা থৌরম অমা ওইখি হায়না রাইটরস ফোরম মণিপুরগী সেক্রেটরি সোমোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লমাবম বীরমণিনা মীতৈ ময়েক্তা ইবা অঙাংগী লাইরিক *মায়োক্লবা* নৈনবদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা পুক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

# ক্লাইমেট চেঞ্জ, ইন্দিজেনস পিপলস রাইটসকী মতাংদা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ (ঐচ এন এস) ঃ সেন্টর ফোর রিছার্স এন্দ এদভোকেসী, মণিপুরনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ক্লাইমেট চেঞ্জ, ফোলস সোলুসন্স অমসুং ইন্দিজেনস পিপলস রাইটসকী মতাংদা ষ্টেট লেবেল কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে।

কনভেন্সন অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট মনী খুমন, সেন্টর ফোর রিছার্চ এন্দ এদভোকেসী, মণিপুরগী জিতেন য়ুম্নাম, কম্মিটি ওন হ্যুমন রাইটসকী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সম, এনবাইরনমেন্টেলিষ্ট ডো. আর কে রঞ্জন, লম্ফেল য়াইফ লৈকায় ইভিক্সন ভিক্টিম মাইবম ঙানবী লৈমা, কোংবদগী অচোম ব্রোজেন, লংথবালদগী নহাকপম ইবোচৌবা, ওল লোক্তাক লেক এরিয়াজ ফিসরমেন য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি ওইনাম রাজেন




অমসুং ইরাবত ফাউন্দেসনগী গোপেননচিংবনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাঙখি।

মাইবম ঙানবী লৈমা অমসুং মনী খুমননা প্রিসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল কনভেন্সন অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ইন্টর্নেসনল ফাইন্সীএল ইনষ্টিট্যু-সনশিংনা থাদরকপা ফন্দনা অচৌবা দামশিং, ওইল এক্সপ্লোরেসন, ইন্দষ্ট্রিএল জোনশিং, অচৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং অমদি পৱার প্রোজেক্টশিং পায়খৎলকপদা মীয়ামগী হক থুগাইবীরে, ক্লাইমেট চেঞ্জগী ৱাথোক হেন্না লুশিলহল্লে, উমং-ৱামং, ঈশিং অমদি লম মাঙহল্লে হায়বগী নুংনাংবশিং ফোঙদোক্লখি।

কনভেন্সন অদুনা মণিপুরদা অচৌবা দামশিং অমসুং থাউ অমদি গ্যাস দ্রিল্লিং তৌনবগী কোর্পোরেট বোদিশিংগা মণিপুর গভর্ণমেন্টকা তৌনবা এম ও য়ুশিং নুংনাংবা ফোঙদোকপা, ফিল্ম ইনষ্টিট্যুট, স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি, ত্রান্স এসিয়ান হায়ৱে অমদি রেলৱেজনচিংবা অচৌবা প্রোজেক্টশিংনা য়াল্লবা লৌবুকশিং শোকহনবগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগী ৱারেপশিং লৌখি।

এসিয়ান দিবলপমেন্ট বেঙ্ককুম্বা ইন্টর্নেসনল ফাইনান্সীএল ইনষ্টি-ট্যুসনশিংনা ইম্ফাল টাউন ৱিং রোদকুম্বা অচৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা মসিনা শোকহনগদবশিং ফজনা নৈনদবা, অতোপ্পা তৌবা য়াবা খন্নদবা অমসুং শোকহনগদবা মীয়ামগী অয়াবা লৌদবগী মতাংদসু কনভেন্সন অদুনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

ক্লাইমেট চেঞ্জগী ৱাথোক্কীদমক অৱানবা সোলুসন পুরকপদা মায় ওনশিনবা মণিপুর ষ্টেট এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেট চেঞ্জনা ইন্দিজেনস মীয়ামদা ওন্ন-তৈনবা ফল পীগনি হায়রদুনা কনভেন্সন অদুনা মণিপুর হায়দ্রো পৱার পোলিসী, কুমজা ২০১২ অমসুং মণিপুর ষ্টেট এক্সন প্লান ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ অসিনচিংবা ককথৎনবসু ৱারেপ লৌখি।

## ঙসি মহৈরোয়শিং ৱাকৎ মীফম ফম্নবা এমসুনা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০(ঐচ এন এস) ঃ চহী নৌরিবা নুপী মহৈরোয়শিং নমদুনা ফল্লানবা অমসুং হাৎতোকপগী থৌদোকশিং য়াওনা নুপী ওইবীশিংদা চথরকপা ক্রাইম হেনগৎলকপগী মায়োক্তা ষ্টেট অসিগী মফম পুম্নমক্তা লৈবা মহৈলোয়শঙ পুম্নমক হয়েং ৱাকৎ-মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌবীনবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না আপিল তৌরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী ভী পি সুবাশচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৫দা থরোইজমদগী লোংজম জিনা কৌবী চহী নৌরিবী মহৈরোয় অমা ফল্লানবীবদা নত্তনা হাৎতোকপীখিবা অমসুং ঙরাং বিন্দ্যারানি দেবী থিয়াম কৌবী নুপী মহৈরোয় অমা ফল্লাল্লবা তুংদা হাৎতোকপীরম্বা থৌদোকশিং অসি মহৈরোয় খুন্নাইবু শীংনবনি হায়না লৌই।

মীওইবা খুন্নাইদা চৎফম থোক্তবা শাগী লমচৎ চৎপা মীওইশিং অসি খুন্নাইসিদগী মুথৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্না পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি। নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু। থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওই পুম্নমক লৈঙাক্লা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা নুপী-অঙাংশিংদা চথবা ক্রাইমশিং অসি থিংনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে হায়নসু মখা তারক্লি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২